"মঙাল লেইখ্রবা মৈরিগী দোশিনা
ৱাকৎহৌরি অমম্বদা হীন্না হীন্না।"
– রতন থিয়াম

# শৈরেং

## খুরুমজবা

**—তৈয়ীব খান, লন্দন**

চৎলিবনি ঐদি পুন্সিগী লম্বেলদা,
মায়কৈ খঙদবা নোংলৈ-শহুম মরক্তা।
ঙসিগী পন্থুংসিনা কদায়দা পুরিবা,
হয়েংগী মায়কৈনা কদোমদা লৈরিবা।
খনফম খঙদে চরাংনরবা হীদেলসিদা,
ৱাখলগী হীদেলদা পুন্সিগী শিন্থানা কদোমদা।
পুবিয়ু নঙনা খূৎশম্মনা ঙসিসু,
ঙরাংগী লম্বীদা শকউদনা খূৎশম্নবীখিবগুম্না।
মদুখক্না পান্বৈনি মায়কৈ লেপঙমদবা কৈথেলসিদা,
নহাকখক্না মরুনি পুন্সি-বিদ্যা ফংজনবা।

## অওনবা মশক

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

থুংলরে অনৌবা মপাউ
অইংবা নিংথমগী
থাশিংবু তুংওইনরল্লগা
ফাইরেল, লমতা খূৎশম্নরদুনা
হরাও মোমোন মীনোক্কা লোয়ননা।
মচু মমেন কয়া
খূবাম খূবাম পায়রদুনা
মরূ কোক্লবা
উপাল-ৱাপাল
অনৌবা য়েন্নিং তমহন্দুনা।
'বসন্ত মাবু হরাও
তয়াম্না ওক্লদুনা,
নীংথিরবা মখল মচুগী
ফিজেৎ কয়ানা লৈতেংলদুনা।
অয়ূক নুমিদাং
তুমিন তুমিন লেপলম্বদো,
হৈনীংবা কয়াগা লোয়নরদুনা
থুংলরে অনৌবা মপাউ
ফাইরেল, লমতা
খূৎশম্নদুনা হরাও
মীনোক্কা লোয়নরদুনা।

## বিদাই

**—টি মেনেকা জোনুনমাৱি, মিজোরাম**

নুমিদাংৱাইগী মতম
নুমিৎনা চীংয়া পাংলকপা
নাইতোম তাহৌরবা চেক্লাগুম
মপাং কনাসু লৈতনা
লৈখিবদো ইদোম তরক...!
নৈহৎপীরল্লবা থম্মোয়সিনা ফংখিবা
অৱাবা চৈনা-চৈথেং মৈচাক পোৎলুম
কনাদসু খঙহন উহন্দনা খাঙখিবনি
থম্মোয়নুংদা কপ্পা-কপ্পা
হিংখিবনি শিংনদুনা
থাজবা অমগা লোয়ননা থম্মোয়নুংদা
ঙাইখিবনি নুমিত্তো
পুন্সিসিনা মায় পাকপা!!!
ঙসিদি ঐ নঙবু ঙাকপীবা
ঙল্লরোই...ঙল্লরোই।

## পোলোইদা

**—টি সোনিয়া রামপানমাৱি, মিজোরাম**

চুমদুনতা লৈরবা
মান্নবা পোলশিং ইন্থোক্লে
মান্নদবা পোলশিং চিংশিন্নে
অদুবু মহৌশা লাইরেম্বীনা
থম্মোয়গা থম্মোয়গা মরক্তদি
লায়র-ইনাকখুনবা
ফজবা-অথীবা
পুমওন ওন্ন-তৈনহল্লম্মে...!!!
ঐখোয়দি ওইসু ওইরোই
ইভিদেন্স য়াওদবা
মালংবগী মপাউ পংলৌ লৌবা মীদো!!
নঙগী থম্মোয়গী
হায়পোথেসিস কয়াদো
ঐগী থম্মোয়নুংগী লেবোরেটরিদা
এক্সপরিমেন্টেল প্রুফ তৌনবা হোৎনবদা
ফেটাল ওইরবা রিএক্সন থোক্তুনা
ৱাখলসে ঙাওচৎনদুনা চৎখিবা তারবা
নঙবু মপোকসিমগী কাউথোকপা
নীংশিংবা থোক্তনা...
অদুনি ঐনা পামজবা
'ফাইনেল ফেক্ট ফাইন্দিং রিজল্ট'

## হোৎনবা

**—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং**

মীওইবনা হিংনবা হোৎনবদা
ঙমখৈ লৈতনা ৱানৈ
নুংঙাই-য়াইফবা কাঙবু
অৱাবা খঙদা লৈ
হোৎনবা কনবা কাঙবু
নোংমদি শোয়দনা নুংঙাইগনি।

## ঙাইরিবনি মাবু

**—তোংব্রম শামুঙৌ**

য়েংলু খুদিং ইফদা ফজৈ
উরু খুদিং ইনৌতা নৌই
পূক্নিং ৱাখল মরাং মরাংঙি
ঙসি মেরা থানিল নুমিদাংৱাইসে।
নীংশিংলকই নৌহৌননা মাবু
নুংশি হায়খিবা থম্মোয়সিনা
মতম, নুংশি য়েন্নিং হুল্লকপা
মেরা থানিলগী নুমিদাংৱাই অমদা।
পূন্নমক্তগী ইহেন হেনবীনি
ঐগী থম্মোয়গী পেঞ্জবী, নুংশি থোইবী
কনা খঙদা থমজবনি লোৎনা
ঐগী থম্মোয় লাকানুংসিদা।
য়েংলিবনি মায়কৈ মাতগী
তনিক-তনিক থম্মোয় অসে
লাক্কনি হায়রম্মী মানা
মেরা থানিলগী নুমিদাংৱাই অমদা।
কনাদা করি হংফম লৈতে
কদায়দা করি থিফম খঙদে
লোৎখি মাদি তুমিন্না হেক্তা
ৱাজখি ইদোম মপাউ ঙাইবদা।
অদুনা, ঙাইরিবনি ঐ, মাবু লাকপা
মফমসিদা ইদোম লেপ্লিবা
মোমোন্নবী মাগী নীংথিবী শক্তম্না
ঙসি মেরা থানিল নুমিদাংৱাইসিদা।

## নোভেল কোরোনাভাইরস

**—নরেশ লাইময়ূম**

তায়ওন্নরক্লে তাইবঙপানসে ঙসিদি
চাহৈদবা চানরক্লে মীওইবনা
চারি লমগী জীব ফাদুনা
য়োল্লি শাদোং ঈখেংলক্তা
হাৎলি লেপ্পা লৈতনা
মীনুংশি য়াওদনা
থল্লি শারংদা লল্লোনপোৎ ওইনা
মহৌশাগী খূৎশেম কায়রক্লে
মসিগী মহয়না শন্দোরক্লি
অমুক্তা থেংনদ্রিবা লায়ওং
থোল্লি মহাক্কী মমিং
নোভেল কোরোনাভাইরস ২০১৯
শন্দোরক্লে চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী
মীপাইনরি লৈবাক শিনবা থুংনা
শন্দোক্লি মীওই অমদগী অমদা
লৈবাক অমদগী অমদা মথং-মথং
শন্দোক্লি লেপ্পা লৈতনা
হোৎনরি শন্দোকপা থিংনবা
অখঙ-অহৈ কয়ানা
অচৌবা থৌদাংনি খন্দুনা
চাবা থকপা থাদোকতুনা
অহিং মিৎশেল খাংদুনা
হনবা লৈত্রবা থৌনা
কলহৌনবা অশিবগী খয়াৎতগী
শাগৎলি লায়েংশঙ অথুবদা
লায়েংলি তোঙান্না থমদুনা
কৎথোকই অনাবগী থৌগলগীদমক
লোমখ্রে পুন্সি অনাবগী থৌগলদা
পিক্লিবা অঙাং নৱাসু
কায়নহল্লি মমাগা মচাগা
পিশখ্নহল্লি পুন্সি কয়াসু
অঙাং অহল খাক্তনা
চংখ্রবদা নহাক্কী মহীকনা
মীওইবগী হকচাং মনুংদা
তাক্লি ঐখোয়দা পারা
তুমিৎ কাং থৱায় পানবা
জীব পূন্নমক য়াওদনা
ঙমলোই হিংবা ঐখোয়না
তোক্লসি চাবা লমগী জীব
তোক্লসি হাৎপা লমগী জীব
লেপ্পসি লল্লোনবা লমগী জীব।

## নীংবা থুংবা

**—রাজেন্দ্র সারুংবা**

হো নীংবা থুংবা নঙবো
কদায়দা লৈবগে কৈদা লোৎলিবগে
ঐনা পান্বা ঐনা নীংজবা কয়া কয়া
ফংবা ঙমখিদে য়ৌবা ঙমখিদে
পূক্নিং ৱাখল লাংতক্লখিবা কয়ানি
নঙবু ফংনবা হোৎনবদা
মাঙখি মতম মাঙখি পাঙ্গল শেল-থুম
অদুবু নঙবুদি ফংবা ঙমখিদে অদুম
হৌজিক্তি ঐগী পাঙ্গল ঐগী থৌনা
লায়না মাঙখরে লোইনা চোকথখ্রে
অদুবু লেপ্পা লৈতে লেপনীংদে পূক্নিংদি
হোৎনখিনি থিখিনি নঙবু ফংনবা
হে নীংবা থুংবা নঙবো
কদায়দা লৈবগে কৈদা লোৎলিবগে।

## খোঞ্জেল থোক্ত্রসু

**—নির্মলা রাজকুমারী**

পুন্সিদা কায়হনগনু
পোৎশক মঙাখক
থাজবা, ৱাশক, মরী
থম্মোয় অমদি মরুপ
করিগী? কায়খ্রবা থোক্লবা
পোৎশক মঙাসি
থোক্লোই খোঞ্জেলদি অদুবু
খাঙঙল্লোই চৈনাদি কল্লবা
পীরল্লিবা মখোয়না।

## চৎন কাঙলোন

**—কে ঐচ বেঞ্জামিন এম শাহ**

শিবা হিংবা তাইবঙসিদা
হিংঙম্নবা নুংঙাই য়াইফনা
শেমনৈ থমনৈ চৎন-কাঙলোন
মালেম লৈবাক খুদিংমক্লা।
আইন লো চৎন-কাঙলোন্না
পুল্লি চেৎনা লৈঙাক-কাঙলোন
শেমদোক শেমজিন তৌনৈ অমুকসু
মফম মতমদুগা চান্ননা।
চৎন-কাঙলোন লেঙদবা চৎনবী
লৈজৈ নুমিৎ থা গ্রহ উপগ্রহশিংগীসু
কায়বা য়াদে মখোয়গী খোঙচৎ
য়াথং ইল্লি মপু মহাক্কী।
শেল্লমই আইন তাইবঙ মীওইবগীসু
ঐখোয়বু শেম্বীরকপা মপু মহাক্না
শেমদোক-শেমজিন ঙমদে মীওইবনা
মপুনা থাবিরকখিবা চৎন-কাঙলোন।
কনখিবনা তাইবঙগী লীপূন
লৈরু-হিংলুবা মফম লমদমদুগী
পুনখি চেৎল' চৎন লোনচৎনা
থিরু নৈনরুদে মপুগী আইন।
ইদুনা লৈরি অচুম্বা অশেংবদি
মালেম লৈশেম নুংশেমগী ৱারী
শেম্বীবা অশেংবা মপুবু কাউথোক্লগা
করম্না য়ৌঙমগনি লাইরমলেন।
থিসি নৈনসি মঙম শানদ্রিঙৈ
মিৎকুপ খরগী তাইবঙ পুন্সি
খঙলবদি অচুম্বা অশেংবা
কান্নগনি তাইবঙদসু শির' মতুংদসু।

# পাউশানখি অদুঙৈ

## (মঙান নাইবা মফমদু য়ৌনা চৎনিংলিবী অইবী অমা)

"ঐবু করি লানখ্রবগে/নঙনা থমোয় অদুক কল্লিবা/নঙ ঐগী থৌদোক কয়াদো/ৱারী ওইনা লৈহৌরগদ্রা/মতমগী নুংপাক্তা হক্তুনা।" পরেং মঙা অসিনা অইবী অসিগী থমোয় মরেপ অদু খরমখৈদি উৎলে। নুংশিববু ঈরাৎচবী, অদুবু মীনম শোরিবা পামজদবী, হায়নখিবা ৱা ঙাকপী, থমোয়গী মরীদা চেৎনা থাজবী অইবী অমনি হায়বা। হেক্তা তানীংই, পানিংঙি, থমোয়দগী থোক্লকপা ৱাদি। অদুনবু শৈরেংদি থমোয়গী মপাউনি, মরলনি হায়নরিবনি। অদুনা ইংরাজি দসু J.S. Mill না অদুম হায়রম্লে - "The Poetry of a Poet is feeling itself, employing thought as the medium of its expression." চুমখ্রবা ৱানি। মহাক্না মখা তানা শৈরেংবুসু কবিবুসু মখল অনী থোক্লা খায়দোক্লম্মী - a genuine poetry অদুগা a cultivated poetry. অহানবগী মখল অসি ইববুনা genuine poet অদুগা অকোনবগী মখল অসি ইববুনা cultivated poet. অহানবা মখলগী শৈরেং অসিদদি ফিল্লিংনা ৱাখল (Thought) বু ঙাইদুনা লৈ হায়, মতেং লৌনবা। অদুগা অকোনবগী অশুংবা শৈরেং ওইবা কলটিবেটেদ শৈরেং অসিদি ৱাখলনা থমোয়দা ঈহৌরকপা ফিল্লিং ঙাইদুনা লৈ হায়রি। অদুনা জে এস মিলনা Wordsworth কী শৈরেংশিং ফিল্লিং ৱাৎলি হায়রি, Shelley গী শৈরেংশিংদি পিক থন্না য়াওই হায়রি। পূন্নমকসিনা তাক্লিবনা শৈরেংদি থমোয় ঈথিল (ফিল্লিং) য়াওদনা ইবা ফজবা ওইররোই হায়বসিনি।

ঐনা ৱাফম খরসি হায়জরুরিবগী মরমদি য়াম্না থাজদনা অশেংবা থমোয়গী মপাউ তল্লিবী অইবী অমা থেংনরিবা অসিননি। মাগী অহানবা খূৎথানি। অদুমকপু ইতিং তিংনা থমোয়গা ৱাখলগা পাউশানবা উরে। তুংগী লম্বী য়াৎলে। কাঙখুলমক্তি মুৎকদবা মান্দ্রে, মাগী শৈরেং ৫০ অসিগী মরক্তা পাদবা ঙমদবা খরদি ময়াওরে হায়নীংই। মসিদি অফবা খুদমনি, অদুসু 'নুংশিবা' হায়বা মালেম খোনবা, চঙশিল্লিমখৈ য়ৌবা নাইদবা, লূপথরিমখৈ মরেপ ফংদবা থমোয়গী ঈরোন্নুং অসিদা লূপ্তুনা শান্নরিবী অইবীনি। তশেংনা হায়রবদা অইবী অসি নুংশিবগীদমক লেপ্লিবী অইবী ওইদৌরে। মহাক অসি নৌনা খোঙদারক্লিবী মীয়াম্না, লৈকাইনা 'সনা চুংখাম' হায়না মিঙ্গৌবী রাজকুমারী শার্দারানী হায়বীদুনি। মাবু তরাম্না ওকপীফম থোকই।

মানা হায়রি - "মাঙলোই নুংশিবা কৈদৌঙৈ/মসিদি থম্মোয়গী মরীনি/কনানসু থদৎপা ঙল্লোই/পুন্সিসিনা ৱাখৈখ্রফাও।" (তোঙাল্লি নঙ, লা: ৩০) অইবীনা খঙই, নুংশিবগীদমক পুন্সি কয়া লোইখিনি, নুংশিবনা চীংজাউগুম লেপ্তুনা লৈহৌনি। ইংরাজি নুপী অইবী, নুংশিববু ঈরাৎচবী Aphra Behn হায়বীদুনসু অদুম হায়রম্মী - "Love in fantastic triumph sate/whilst bleeding hearts around him flowed." কয়াদা মান্নজখ্রবা অইবী অনীসি। মসিদা নত্তে, সনা চুংখাম্না হায়রিবা, অমুক য়েংবা য়ারি - "চেন্থরক্লে ঈচেল নাইনা/ঐগী থমোয়গী ঈফুৎসে/নঙবু নুংশিবতনা থল্লবা ঐগী নুংদগী/হে চান্নথোইবা!" (চান্নথোইবা, লা: ৪৫) মসিদি নুংশিবগী মফমদা চঙজবনি, কৎচবনি, মাগী পূম্বা। অদুগা নুংশিবদুনা মনাক্তা লৈরিঙৈ, মাগী অৱাৎপা লৈতে। আশাগী দোলাই তোংদুনা লৈচিল্লক্তা পাইরুরি। অদুদগী হেন্দোক্তুনা কুবেরগী লৈকোল চঙদুনা সনাগী লৈহাও হেক্লি। মাগী ৱাহৈদা - "অমুকসু তপ্না/অসুম অসুম/মপান নাইদবসিদা/আশাগী দোলাই তোংদুনা/থিরুরি থম্মোয় অনীগী পোত্থাফম/খোঙদোয়রুরি কুবেরগী ফজরবা লৈকোলদা।" (আশাগী দোলাই তোংদুনা, লা: ৪৪) কল্পনাগী খম থেংবা থাক্লি। নুংশিবগী মমল ওল্লিবা মতৌনি। অসুম্না Emily Bronte হায়বীদুনসু হায়খি - ঐনা নঙবু নুংশিরকপা মিৎকুপ্তা লাক্কেকো মালংবা ওইনা, নোক্লা চাউবা কনাগী অখা মিৎয়েং নঙদনবা। মাগী ৱাহৈদা "When I love, shall come like visitant of air/Safe in secret power from lurking human snare." ঐখোয়গী সনা চুংখামসু অমুকসু হায়রি - "থাদোক্লম্লে নুংশিরবা মরুপ কয়া/নঙগীদমক/উহন্নীংদ্রবা মায়থোঙসে অতৈদা নঙনা/কনাগী মফমদা উহনখিদবনি ঐনা কনাদসু নঙগীদমক/ওইহনখিবনি অসুম্না।" (নঙগীদমক, লা: ৫৭)

অদুবু অইবীগী থমোয়বু লৈতাহন্দবা অমদি লৈরি। ঙসিগী মতমগী নুংশিৎনা অশেংবা নুংশিবা হায়বদু লৈরক্ত্রবা মতমসিদা মানা পামজরিবা মখলগী নুংশিবদু তাইবঙসিদা ওইথোক্কদৌরিব্রা? মতাংদুদনি সনা চুংখামগী থমোয়দা ৱাহংনা থল্লক্লিবা। মাগী মঙলান্না তাইবঙ ওল্লক্তুনা চৈনা ফাওরক্লিবা, অশেংবা মশক অমা থিবা হৌরক্লিবা। অদুনা মতোমতা হংজরক্লি মাগী মীনম্বীরল্লবা চান্নথোইবদুদা- "ঐসিবু নঙগী কনানো/করি মরী থোক্লে/করম্না থম্বীগনি পুন্সি পোলোইফাও?" (নঙগীদমক, লা: ৫৭) করিগুম্বদা মহাক চিংনরকই, অদুনা তকশিল্লক্লি মাগী চান্নবদা মতম লৈরিঙৈ চৎহৌরসি হায়না, মাগী পূন্নমক ওইরবা মঙোন্দা মানা হায়রি - "নঙদি ঐগী কল্পনানি/নঙদি ঐগী ঈশৈনি/নঙদি ঐগী শৈরেংনি/ঐগী থম্মোয়গী মিহুলনি/চৎসি ঐগী থম্মোয় মহাম তাদ্রিঙৈ/নঙনা ঐগী পূন্নমকনি।" (চৎলু চৎসি, লা: ২০) পরেং খরসিনা তাক্লি অইবীগী থম্মোয়দা নুংশিববু কয়াম ঈরাৎচবগে হায়বদু। মাগী ওইবা ফংহৌররোই মতানি, খম্বল চাউজবনি। মসিদি তৌশিন্নবা নুংশিবদি নৎত্রে।

অদুবু নুংশিবনা মীনম্বীরল্লবা মতমদদি মাগী ফাজিন্দুনা মাতগী ওইনীংলম্বা নুংশিবদু চাইথোক্লকখি। মাগী অকোয়বদা য়েংবা হৌরকখি। পুন্সি মশক খঙলকখি, মশাগী মপোক উরকখি। তাইবঙ মপুরোমদা ওনশিল্লকখি। অদুনা অইবীগী ৱাখল থাক অমা কাখৎলকই। ঐ মশক খঙলকই। অদুনা হায়রকই - হে, ঐগী ঐ ওইবা/ইমিৎ অনীসে উইশিল্লসু/তায় ঐগী থম্মোয়নুং নঙগী খোঞ্জেল/অদুনা হে, ঐগী ঐ ওইবা/লেঙদনা লৈয়ুকো ইনাক্তা/ঈংলি ঐগী থম্মোয়সি/নঙনা ইনাক্তা লৈরগা।" (লেঙদনা লৈরবদা, লা: ৯) অদুবু অইবীগী তাইবঙ মপুদি মিৎনা উদবা লমদা, তাইবঙগী ৱাংমদা লৈখিবদু নৎত্রি। মহৌশা খূৎশেমদা তিন্দুনা লৈরি। অদুনা অমুক হায়রক্লি - "নঙদি মালেমদসুনি/ৱাংলবা চিংদোলসিদসুনি/অশংবা উপালদসুনি/চেল্লিবা তুরেল ঈচেলদসুনি।" (মহৌশা, লা: ৬) মসিদি Supernaturalisation of Nature হায়বা S. T. Coleridge গী romanticism অদুমক্লি। ঈশ্বরবু তাইবঙ খূৎশেমদা পুথরকপা। ইজমদা হায়রগা Pantheism হায়বদুনি। হৈরাং অমদা, লৈরাং অমদা ঈশ্বরগী মশক উবা ঙম্বা। ফজৈ হায়নীংঙি। অদুনা অইবীনা হায়জৈ মাগী ঐগী ঐ ওইবদুদা অসুম্না - "নহাক ঐগী মঙলান্নি/অহোংবা নাইবা পুন্সিগী/হোংবা নাইদবা মঙলান।" (পুন্সি, লা: ১১) অদুনা হোংবা নাইদ্রবা মঙলান অদুগীদমক অইবীগী পুন্সিগী খোঙচৎ শেল্লকই। মশামক শাৎলিবা লৈরাংনি খল্লকই। অদুবু মাদি নারক্কী লৈরাংগুম লৈহী অরেম্বদা পাথদুনা মাঙলগদবা অমগী শক্তম লৌরক্লি। মসিদি আমেরিকাগী অইবী, Sylvia Plath না হায়বদুমক্লি - "O my God, what am I/That these late mouths should cry open/I a forest of frost, in a dawn of Cornflowers." মানা হায়রিবসিনা থেঙনা লৈশাৎ তল্লক্লিবা পোপী লৈরাং মরকসিদা মাদি লৈশাৎ তমদ্রবা উনখা তারবা উমংগী শক্তম লৌরে হায়জরিবনি। অদুম মান্নজরি অইবী অনীমক।

অদুনা অইবীগী থমোয় পেৎথরকই। উরুবা খুদিং মীনুংশিনা থল্লকই। মাগী নুংশিবা পোৎশক অমতদা থল্লক্তে, মাধবী থমোয় পাল্লকই, মসা তেক্লবা চেক্লা অমা মাগী নাক্তা তাররবদা মানা থারিবা য়াৱা থমোয় পানবা ৱাহৈনি- "নঙনা পাইরুই করিগী/খঙহৌদ্রা মীগী লৈকোলনি/কায়নখ্রবা নপাং থিবদা/নসা থুদেকপীখিবা ওইরিনি।" (চেক্লা, লা: ৩৬) গৌতম বুদ্ধনা তেন্না পাল্লবা ঙানু থঙ্গোং কোনবিখিবা মতৌ অদুমক্লি। অইবীনা চেঙ থোইদিং থাদুনা পীজবা ফজবা মতৌ উৎলি। মীনুংশিগী লারবা খুদমনি।

হৌজিক্তি সনা চুংখাম মঙালগী লম্বী থিরক্লে। ৱাখলগী ৱাংমদা লৈবা মঙাল, তোপ-তোপ্পা, মদুদা নোংমা মানা তিল্লুনি খঞ্জরি। মসিদি পুন্সিগী অচুম্বা লম্বীনি। রোমেন্টিক কবি অমগী পোল্লোই তাল্লকপা খোঙফম্নি। অদুনা মহাক পূন্নমক খুদুম চন্নবা হোৎনরগে খঞ্জরি। মাগী ৱাহৈদা - "অদুবু ইমা!/ঐনা পাল্লি/মঙাল নাইবা মফমদু য়ৌবা/ৱাখলগী ৱাংমদগীসু লাপ্পা/অরংবা মঙাল/তিনশিল্লুনবা অমতা ওইনা।" (তোপ-তোপ্পা-৫৯) মসিবু ফজদে করম হায়গনি। চৎপা চৎতবা অরায়বনি, ৱাখলগী ফিরেপ অসিদি তশেং তশেংলবা মওংনি। থাগৎফম থোকই।

অদুনা অইবীগী থমোয়নুংদা ৱাখলগা, পূক্নিংগা লান থেংনরি। অমুকসু ৱাখলনা ঙল্লি, অমুকসু পূক্নিংনা ঙল্লি। মসিদি হৌনশানি, মীওইবগী পুন্সিনি, ৱাখলনা ঙল্লগনা মঙাল ফংখিবা, পূক্নিংগী অপাম্বদা কুমথরগনা নরক্তা তাবা মশানা তাবনি। অদুনা মদোম চিক্লা লৈরক্লবদা সনা চুংখামগী ৱাখলগা থমোয়গা পাউশানরি। ৱাখলনা হায়রি ফজবদা য়েংগনবা থমোয়দা - "য়েংলুনু মীগী লৈকোলদা/পাম্লুনু ফজবা লৈরাংসু/নঙবু নিন্দা তৌবীনি/পূক্নিং ফাজিল্লু মালি নঙ।" (থৱায়গা থম্মোয়গা পাউশানবা, লা: ৪৬) মসিদা কবিগী alter ego না চোংথোকখ্রগা মাবু ৱারক্লি, পূক্নিং লাকশিন্নবা, ওন্থোকপা মতৌনি। মহাভারতকী লাননি। অমুকসু ফজরিবনা তাইবঙ মপুবু লাইয়েকপা অমা ওইনা উরকপা অসিনি। য়েক্লিংবা মওংদা য়েক্লিবা লাইয়েকপবু মানা শাউজরুবা ঙমদে। অদুনা মাগী অপাম্বা ওইনা হায়জৈ। মানা হায়রি - "লোন্থোক্তবী অয়েকপা শক্তম ওইরবসু/থাবিয়ু নঙগী তুরিনা/মোমোন মীনোক্কী মচুদো।" (হে লাইয়েকপা,লা: ৬১) মোমোন মীনোক্কী মচুনা পীরিবা ৱাহন্থোক ফজৈ হায়নীংঙি।

অইবীগী পূক্নিং কয়াম লাকশিনখ্রবগে হায়বদু মাগী শৈরেং খরদা উবা ফংলি। খাম্বা য়াররোই খঙলিবা থা, থৱানমিচাক ফাওবা মখূৎ খৎতুনা খাল্লকই। পূমঙাও ঙাওবা মতৌসিনি, ফজরিবা, অপাবনা, অয়েংবনা পেঞ্জরিবা। মানা হায় - "লাক্লনু য়েন্নিংথা নঙসু/চোংলগনু থমোয়দা য়েন্নিং/লৈজরসনু চোংঙমদা/হয়েংগী অকিবা নংদনবা।" (লাক্লগনু য়েন্নিংথা, লা: ৪৬) কায়নবা, অৱাবা, অকিবা নঙদৌ শরুক অমুক হন্না পোকচররোই হায়বগী ঈঙ্গিৎনি। পোৎলুম পুবদা ৱারবী অমগী মশক্লি। খোন্থা অসিমক ইংরাজি অইবী Charlotte Bronte না হায়খি - "My darling! thou wilt never know/The grinding agony of woe/That we have borne for thee." নুপীতনা চৈনা খাঙই হায়বগী ঈঙ্গিৎনি। ফজৈ হায়নিংঙি।

য়ামখ্রে, পাউদমগদবদি, শম্না হায়বা তারবদা সনা চুংখাম শৈহৌদা মায় পাক্লে, পঙই ইবা নৎত্রে, কন্সেপ্ট য়াম্না শেংলে। মশাসু নুপীনি হায়বা খঙজনা ইরি। মমানি হায়রি। মমাগী নুংশিবা মাঙদ্রি। নুংশিরবা মচাশিংগীদমক লেপ্লি। নুপীনা খাঙবা চৈনাবু ৱাহৈ খরনা ফোঙলি- "চৈনা অমা/চৈফমদি তাদবা চৈনা/খ্বাইদগী খাঙবা ৱারবা চৈনা/নুপী ওইবীনা খাঙঙমদ্রবা চৈনা।" (তমখিবনি, লা: ৫২) তশেংনা হায়রবদা চৈনা ফংলবী অমগী থমোয়দগী থোক্লকপা খোঞ্জেলমক্তনি তারিবা। ৱাৎলিবা হায়রগনা ক্রাফ্টমেনশিপনি। ক্রাপ্টমেনশিপ খজিক্তংগা হাপ্পল্লবদি ফিশা কূংবা শৈরেং ওইরমগনি খল্লি। মসিদি লৈ লেংবা চেকশিন্দবনি। মচাক্তি মরাঙ কায়রে হায়নীংঙি। মথংগী অমগা য়েংখিবা তারি।



| | | |
|---|---|---|
| লাইরিক | : | পাউশানখি অদুঙৈ |
| মখল | : | শৈরেং |
| অইবী | : | রাজকুমারী শার্দারানী দেবী |
| অফোঙবা | : | মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি |
| ফোঙবা | : | ২০২০ |
| মমল | : | ২০০/- |
| পাউদম্নিবা | : | সলাম তোম্বা |



# রাগ দরবারী-৩৪

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

'তিটর (উচেক অমগী মমিং) মমাংদা তিটর অনী, তিটর তুংদা তিটর অনী' হায়নবা প্রমানগুম্না মহাক্কী মমাংদা সীপাই অনী অমসুং মতুংদা সীপাই অনী লৈরম্মী। দারোগাজি ঈশৈ শক্তুনা লৈরম্মী অমসুং সীপাই অদু ৱাখল খন্দুনা লৈরম্মী মদুদি করিসু কাইদে, মতম খরগী মনুংদা অফবা হায়বদু ওইরগনি। লম্পাক লান্থোরকপদা দারোগাজীগী ঈশৈগী মখোল খরা ৱাংতক তৌরকই। ৱাফম অদু তশেংনা ৱাহন্থোক য়াওদবা ৱাফমনি হায়বগী খুদম ফংলকই মদুদি ৱাফম অদু অর্থ য়াওদবা ৱাহৈনি হায়বদা হায়বা য়াদবা ৱাফমনি। অদুবু মহাক মোন্দা য়াম্না নুংঙাইনা ঈশৈ শক্তুনা লৈরম্মী।

লম্বী মনাক য়ৌরক্লে। মফম অদুদা লৈরম্বা কোমকুৎ অমদগী ইখঙ খঙহৌদনা খোঞ্জেল অমা লাক্লম্মী,'কর্ফৌনলা নত্রগা সর্ফলা?' দারোগাজীগী খুৎ পিষ্টোল মনাক্তা নকশিল্লকই। সিফাইশিং অদুনা মশা থক-থক নিক্লদুনা মানা-মানা পায়রিবা রাইফলশিং অদু চেকশিন্না পায়বা হৌরকই; মতম অদুদা কোমকুৎ অদুদগী অমুক হন্না খোঞ্জেল লাক্লম্মী,'কর্ফৌনলা নত্রগা সর্ফলা?'

সিফাই অমনা দারোগাজী নাকোংদা হায়,'নোংমৈ কাপ্লকপা য়াই। উগী মরুমদা লৈহৌবনা ফগনি হুজুর!'

উশিং মফম অদুদগী গজ ৫মুক লাপ্না লৈরম্মী। দারোগাজীনা সিফাইশিং অদুদা তুমিন্না হায়,'নখোয় পূন্নমক উগী মরুমদা চৎলো। ঐ চংলগা য়েংগে।'

ৱাফম অদু হায়রম্লগা মহাক্না হায়রকই,"কোমকুৎ অদুদা লৈরিদু কনানো? অমবু ওইরে-অমবু ওইরে মপান্দা থোক্লকউ।" মতম অদুদা মমাংদা য়েংখিবা সিনেমা অমগী সিন নিংশিংলক্তুনা হায়রকই,"নখোয় ঐখোয়না কোয়শিন্দুনা লৈরবনি। নখোয় মিনিট অমগী মনুংদা থোক্লক্ত্রবদি নোংমৈ কাপশিল্লক্লগনি।"

কোমকুৎ অদু ঙাইহাক তুমিন্না লৈখি, অদুগা খোঞ্জেল অমা লাকই,'মর্ফর গর্ফয়ে সর্ফালে, গর্ফোলি চর্ফলানেৱালে।'

ভারততা লৈবা মীপুম খুদিংমক ময়ুমদগী মপানদা থোক্লক্লবদি লোলগী মতাংদা নুংগুম্না কনশিল্লি। অদুগুম্বা লোল অদু তারবা তুং মায়থিরদুনা ৱাখল খন্থবা ঙমখিদ্রে মদুদি ঙাংলক্লিবা লোল অদু নেপালি লোললা নত্রগা গুজরাটি লোললা। অদুবু লোল অদুনা দারোগাজী চেকশিলহল্লম্মী অমসুং মহাক্না খলম্মী মদুদি পোৎশক অসি করিনো! অদুমক্তপু লোল অদুদা মচিন থিদুনা চৈবা অমদি য়াওরি হায়বা মহাক্না খঙবা স্লম্মী। অদুবু মহাক্না ঙাঙলক্লিবা লোল অদু করম্বা লোলনো হায়বা খঙবা ঙম্লমদে। মদুগী মতুং তারকপদা ৱাফম অদু লৌশিনবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈরবদি নোংমৈ কাপ্নবা হায়বদু ওই। অসিগুম্লবা ইন্টরনেসনল ওইরবা প্রিন্সিপাল শিবপালগঞ্জদা শীজিন্নগে খল্লদুনা দারোগাজীনা পিষ্টোন থাঙ্গৎলদুনা খোঞ্জেল হৌনা লাউরকই,'কোমকুৎ অদুদগী মপানদা থোক্লকউ, নত্রবদি নোংমৈ কাপশিল্লক্লগনি।'

অদুবু নোংমৈ কাপ্পগী মথৌ তাখিদ্রে। সিফাই অমনা উগী মরুমদগী থোক্লক্তুনা হায়,'নোংমৈ কাপ্পিগনু হুজুর, কোমকুৎতা লৈরিবা অসি জোগনথৱানি। য়ূ কা হেন্না থকপদগী কোমকুৎতা তাদুনা লৈবনি।'

সিফাইশিং অদুনা খঙনিংবা অমগা লোয়ননা কোমকুৎ অদুদা কোয়শিন্দুনা লেপ্তুনা লৈখ্রে। দারোগাজীনা হায়, 'জোগনথৱা হায়বদি কনানো?'

মশাগী চহী য়াম্লবা সিফাই অদুনা মহাক্কী এক্সপিরিয়ন্স অদুগা লোয়ননা হায়রকই,'মহাক শ্রী রামনাথকী মচানুপা জোগনাথনি। মথন্তনি। য়ূ য়াম্না থকপনি।'

মখোয়না জোগনাথপু থাঙ্গতুনা মখোংনা লেপহল্লম্মী, অদুবু মহাক মখোংনা লেপ্তুনা লৈবা পাম্লমদে, মহাক্না কয়াম কুইনা পায়দুনা লেপহনবসু ঙমগনি! মরম অদুনা মহাক মশা নোম্লদুনা অমুক হন্না তুশিনগে তৌই অদুবু তুদি তুখিদ্রে। অরোইবদা মহাক কোমকুৎতগী মপান থোক্লক্তুনা অফাওবা লাইনিংবা অমগুম্না ফমদুনা লৈখ্রে। মহাক্না ফম্লদুনা মীৎকা-মীৎকা মীৎচান্নদুনা, মখুৎ হায়রদুনা শেকপীগুম অমসুং লমহুইশিংগী খোঞ্জেল মানবা মখোলদা ঙাংলদুনা মীওইবনা ঙাঙনরিবা লোল ঙাঙবা ঙম্নবা হোৎনরকই, অদুবু মহাক্কী মচিন্দগী হান্নগী ৱাহৈ অদুমক থোক্লই,'কর্ফৌনলা নত্রগা সর্ফলা?'

দারোগাজীনা হংলকই,"নংনা ঙাঙলিবা লোল অসি করম্বা লোলনো?"

সিফাই অমনা হায়,"নংনা ঙাঙলক্লিবা লোন্দ্রে অদুনা ঐখোয়না নংবু খঙবা ঙল্লিবনি জোগনাথ। মহাক সর্ফরি লোল ঙাঙই। হৌজিক মহাক ৱাখল তাদ্রি, মরম অদুনা মচিন থীবা ৱা ঙাঙলিবনি।"

দারোগাজী, জোগনাথনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অদুদা মচিন থীরকপগী মতৌ অদু পাম্বা অমদি নুংশিবা ফাওরম্বা য়াই। মহাক ৱান্থবগী ফীভমদা লৈরবা ফাওবদা য়ামদ্রবদা করিগুম্বা খরদি তৌনবা হোৎনরি। মখোয়না মহাক্কী ঙকশম কন্না নোম্লদুনা অমদি মশাদা পায়দুনা হায়,'ৱাখল তারো!'

অদুবু জোগনাথনা ৱাখল তারকপগী ৱাফম য়াখিদ্রে। শুপ্নগী মহাক্না হায়রকই,'সর্ফোলে!'

সিফাইশিং অদু নোক্লম্মী। মহাকপু হান্না মশক খঙবা মীওই অমনা জোগনাথকী নাকোংদা লাউরদুনা হায়,'জর্ফোগনাথ, হর্ফোশ মে অর্ফাওো।' -মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।